থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৰিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা), ইকোপ নিংথৌ চাউখৎ খোঙথাং নুপী লূপ অমসুং কাদানা পুন্না শীন্দুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফম

লমদেং অৰাং লৈকায়দগী অসেম গন্তিনি মীশিগী মায়োক্তা লমদেংগী লৈকায় অহুমগী মৈরা পায়বীশিংনা লমদেং মখা লৈকায়দা লৈবা দি পাইওনর্স ক্লবকী মমাঙদা ৰাকৎ মীফম ফমখিবা

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা শীন্দুনা সঙাইপ্রৌদা লৈবা সর্ভিস সেন্টরদা পাঙথোকখিবা টিচরস দেগী থৌরমদা থবক্তগী পোত্থারবা ওজা মরিদা অচম্বা খুদোলপোৎ অমদি সাইটেসন পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবা

LIONS CLUB
HONOURING OF TEACHERS
At Lions Service Centre, Airport Road

পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, অমুকো অমসুং ওল মণিপুর ৰিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খুল কয়াদা চৎতুনা ইমুং ২৯৩দা চেঙ মতেং পাংখিবা

বোর্দর ইস্যুগী মতাংদা এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জননা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদ্রে : ইপসা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): বোর্দর ইস্যুগী মতাংদা এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জননা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদ্রে। সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা হায়দোকখিবা ৰাফম ঙাক্লক্তবা কংলৈপাক মীয়াম্না কাউবা লৈতে হায়না ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইপসাগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি আই পি আর ওক্রম থোই মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর (কংলৈপাক)কা ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈ শরুকশিংদা ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা লমগী চয়েৎনবা অমদি ইন্দিয়াগী লমগী শরুক মাঙবা লৈতে হায়না বোর্দর পিল্লর ৮০, ৮১, ৮২গী মরক্তা সবসিদরি পিল্লর য়ুংশিনখিবদা নত্তনা সিক্যুরিটি ফেন্সিং খাজিল্লকপগী থৌওং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী শুপ্নম ৰায়েলনি হায়না ইপসানা লৌই। চথরক্লিবা থৌওং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মতম শাংনা লমদম অসিদা চথরকখিবা মণিপুরগী লমখৈ অমদি মীয়াম্বু থওইদবা, থৌশাদবা অদু উৎথোকপগী খ্বাইদগী ময়েক লারবা থৌদৌ অমনি। মমাঙদা মতম-মতমগী ওইনা ম্যান্মার অমসুং মণিপুরগী ঙমখৈ পরিংদা থোকখ্রিবা থৌদোক ৰাথোক অমদি লম-থুম মাঙ-তাকপা য়াওনা ঙমখৈ পরিংদা খুন্দাজরিবা মীচম মীয়াম ফাওবা ম্যান্মারগী আর্মিনা ফূ-চৈবা থৌদোক য়াওনা থোকখ্রবা থৌদোকশিং অদুবু মখোয়না করিসু খঙশিন্নদনা ইরায় লায়না ইন্দো ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা চয়েৎনবা অমদি লম মাঙখিবগী ফীভম লৈতে হায়না ফোঙদোল্লকখিবা অদুমক য়াম্না লাইবক থীবা অমদি লমদম অসিগী লমগী শরুকশিং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মশাগীনি হায়না খঞ্জবা ঙমদবগী খ্বাইদগী ময়েক লারবা খুদম অমসুনি। হৌজিক এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরবা ডা. আর কে রঞ্জননা মিনিষ্টর ওইদ্রিঙৈদাএম পি অমা ওইনা মহাক মশামক্লা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পরিংদা ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈব্রা হায়না হংখিবা মতমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা চয়েৎনবা লৈতে হায়না পাউখুম পীখিবা লৈখ্রে। ঙমখৈগী চয়েৎনবা অমদি বাউন্দরিগী দিমার্কেসন তৌদুনা বোর্দর পিল্লরশিং নাখৈ শেংনা য়ুংথোক্লনবা হোৎনবা মতমদা ঙসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদনা বোর্দর পিল্লর ৭৯, ৮০, ৮১, ৮২, ৮৩, ৮৪, ৮৫, ৮৬, ৮৭ অমদি ৮৮নচিংবশিং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা মণিপুরগী লমখৈগী শরুকশিং অসি ম্যান্মারনা হায়রকপা খূদিংগী পংয়াদা য়াথোক্তুনা পীথোক্তুনা লৈরে। ম্যান্মার অসি ইন্দিয়াগা য়াম্না অফবা মরী লৈনবা লৈবাক্লি হায়দুনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মণিপুরগী মীয়ামগী অমদি লমগী শরুকশিং অসি পীথোকখিবদা কায়দে খন্দুনা লমশিং অসি মাঙহন্ননবা হোৎনবা ওইনা থোক্লি।

ঙমখৈগী মতাংদা লৈরিবা চমম্লবশিং অসি কোকহন্ননবা অমদি ৰাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট আর কে রঞ্জননা অচৌবা থৌদাং অমা লৌবা তঙাইফদ্রে। সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগা মণিপুর মীয়ামগা অমুক্তং ফম্মিন্নহন্দুনা চয়েৎনরিবশিং অসি শেমদোকমিন্ননবগী তাঞ্জা অমা লৌবীফম থোকই। সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়া অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নিংবা ৰাফমশিং অদুদি কুমজা ১৯৬৭কী ইন্দিয়া-বর্মা বাউন্দরি এগ্রিমেন্টনা য়ুম্ফম ওইরগা (রিফরেন্স) লৌরিবা ট্রেদিসনল বাউন্দরি হায়বা অসি করম্বা অরিবা বাউন্দরি রেকোর্দতা য়ুম্ফম ওইদুনা লৌরিবনো। করম্বা টোপো সিটতগী লৌরিবনো। কুমজা ১৮৩৪গী পেম্বরতোন লাইনদগীরা নৎত্রগা ১৮৯৬কী মেক্সৰেল-এম সী নেপকী জোইন্ট সর্ভে রিপোর্টতগী লৌরিবরা। নৎত্রগা কুমজা ১৯২১-২২গী স্কোৱার ইন্স মেপ অদুদগী লৌরিবরা। মরী লৈনবা টোপো সিট পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহল্লু।

কুমজা ১৯৬৭ ইন্দিয়া-বর্মা বাউন্দরি এগ্রিমেন্টতা য়াম্না তোয়না পল্লিবা ট্রেদিসনল বাউন্দরি হায়বসি কদায়বুনো। মসিগী চপ চাবা দিফিনিসনননা করিনো। ঙসি বাউন্দরি অসিদা য়ুংলিবা বোর্দর পিল্লরশিং অসি কমদৌনা মফম অসিদা তারে হায়না লেপ্পবনো। মসিদা ঐখোয়গী লম শরুক কয়া য়াম্না ম্যান্মারদা পীথোকখ্রবগে অমদি ঐখোয়নদি কয়া য়াম্না ম্যান্মারদগী লৌখ্রবগে হায়বদু খঙহল্লু। লোয়ননা লম পীথোকখিবা মতমগী মমিং অমদি লৌরকখিবা মফমগী মমিংসু খঙহল্লু। ঙসি সেট্টল তৌরে হায়রিবা বোর্দর পিল্লর পোইন্টশিং অসিগী লোকেসন কোওর্দিনেটশিং অসি করম্বা মতমদগী শেমখিবনো অমদি সর্ভেয়র ওফ ইন্দিয়া ৰেবসাইটতা করিগী হাপত্রিবনো। লেনমার্কতগী কমদৌনা পিল্লর পোইন্টতা লেপ্লিবনো হায়বসিগী মেথদ অদু মীয়ামদা খঙহল্লু। বোর্দর ইস্যু অসি লোইশিনবদা অসুক কুইনা চঙদুনা লৈরিবগী মরম করিগীনো। মোরেদা ওক্টোবর ২৯-৩০, ২০১৪দা পাঙথোকখিবা জোইন্ট মীটিং ওন বাউন্দরি কম্মিসন্স অমসুং কুমজা ২০১৭গী ওক্টোবর ২৭-২৮দা ম্যান্মারগী তমুদা পাঙথোকখিবা মীফমগী দোক্যুমেন্ট খূদিংমক মীয়ামদা ফংহল্লু অমদি খঙহল্লু। ৰাফমশিং অসিগী পাউখুম ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর মীয়ামদা পীদনা লৈরিবা অসিনা ইন্দিয়াগী মীনম লৌশিং তৌবা ৰাফম কয়া লৈরব্রা হায়না লৌই। ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা অসুম হেঞ্জিল্লকপা তারবদি তঙাইফদনা মীয়াম্না ওইনা হৌদুনা ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা ঈ কৎতুনা থম্বীরম্বা ঐখোয়গী ইংখোল অসি ঙাক শেনবগী থৌদাং লৈপাক মীয়াম্না লৌমিন্নদুনা ঙমখৈদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংগা হৌমিন্নদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী লমখৈ ঙাক শেনবগী তঙাইফদবা অমা শোয়দনা লাক্লগনি। মরম অসিনা লৈবাক মীয়াম পুন্নমক্লা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নরসি হায়না ইপসানা লূপলোয় খূদিংমক অমদি ইরৈচা খূদিংমক্কী মফমদা চেকশিন ৰা থমজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

পোইরৈহেনবা মীরেপ ওইরগনি লাউথোকখ্রে

12th Assembly Election Manipur 2022
M. Poireihenba Meetei
Candidat A/C

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লীগী মীখলদা লম্লাই এ সীদা মোংজম পোইরৈহেনবা মীরেপ ওইরগনি হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।

লম্লাই এ সীগী লুচিংবশিং অমদি তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনদগী লাকপা মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি য়োর্বুংদা লৈবা ইবুধৌ চিংখৈ নিংথৌগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মোংজম পোইরৈহেনবা মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মোংজম পোইরৈহেনবনা হায়খি, লম্লাই এ সী অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন খূদিংমক্তা হৌখিবা চহী ১৪ রোম অসি মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং তৌদুনা মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নদুনা লাক্লি। কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী অমা অনী অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া তৌবা য়াদনা লাকখি। অদুবু হৌজিক্তি এ সী অসিগী মীয়ামগী মীহুৎ লৈতবগী অৰাবা অমা মীয়াম্না মায়োক্লুরি। মীয়াম্না থাগৎখিবা মীহুৎনা মশাগী ওইজবা খরখক্কী য়েংলগা মীয়াম্বু হুন্দোক্তুনা থম্বীরম্বা অসিনা এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না পেন্নদবা অসি অদুক্কী মতিক হেল্লকখিবনি। মরম অদুনা হন্দক্তি মীয়ামগা মতম চুপ্পদা চৎমিন্নদুনা থবক তৌগদবা মীহুৎ অমা খনবা অসি এ সী অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্কী অপাম্বনি।

শোত্থনা লৈরিবা লম্লাই এ সীগী লম্বী-থোং ফনা লৈহন্ননবা, থক্লবা অফবা ঈশিং নীংথিনা ফংহন্ননবা অমদি লৈকায় খুলগী অৰাৎ-অপা কয়া মেনখৎননবা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা হয়েংদগী হৌনা য়োর্বুংগী চৈরাওচীং তাবা লম্বী অসি নুঙ থাদুনা শেমজিনবগী মথক্তা কোয়লাস থাননবসু হোৎনরগনি। মীয়ামগী অপাম্বা খূদিংমক পাঙথোক্লবা হোৎনবদা তঙাইফদনা মীহুৎ অমা ওইবা মথৌ তাই। মরম অদুনা মীয়াম্না থাজবীদুনা অমদি পুন্না চৎমিন্নদুনা এ সী অসিদা অফবা অওনবা অমা পুরক্লনবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মোংজম পোইরৈহেনবগী ইলেক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম য়াইমা, ভাইস প্রসিদেন্ট সিনাম ইবোপিশক, লাইতোঞ্জম মুনাল, য়োর্বুং ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ঙাইরাংবম সুরচন্দ্র, সোসল ৰার্কর য়ুম্নাম ইরাবত অমদি এ সী অসিগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা নম্বোল এসেম্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ নামৈরাকপম লোকেনবু মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট ওইনা খনবীরকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল লোকেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ২ লাখ ৫ রোমগী দ্রগকা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা এন্টি স্মগ্লিং য়ুনিট কষ্টম দিভিজন ইম্ফালগী টিম অমনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোইবু ভিলেজ অমদি ককচিং লমখায় এরিয়াদা থিবা হুম্বা চথবদা য়াল্লবা এমফেতামাইন টেব্লেটকা কোন্ননা মীওই অনী ফারে হায়রি।

দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি চান্দেলগী মচি সব-দিভিজনগী মনুং চনবা লাইচিংদগী কোন্সম তামরুং মরিং (৩৪) অপোকপা দাংশাৰা রোবিন মরিং অমদি সেকমাইজিন খুনৌ কোনুমা হিয়াংলমদগী এম দি সলিম (৩৭) অপোকপা এম দি সলাউদ্দিননি। মখোয়দগী ৰাওথাংনবা খাউ মঙাদা হাপ্লম্বা এমফেতামাইন টেব্লেট কে জি ৫.৮ য়াওরম্বা থেংনখি। টেব্লেটকী মশীংনা ৫০,০০০নি। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদু এন দি পি এস এক্ট, ১৯৮৫কী মখাদা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ ৰাটর রিছোর্সেস এদভাইজরি কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়দগী নিঙোম্বম ইবোহলবু খল্লকপদা দি এম সী এল্যুমনাই এসোসিএসন্না হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঙরাং পুরানা রাজবারিদা লৈবা এম টি দি সীগী চীফ এঞ্জিনিয়র লাইশ্রম ব্রোজেন্দ্রোগী য়ুমদা নৌনা এদভাইজরি কম্মিটিগী মেম্বর ওইরক্লবা ইবোহলবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মহাক চহী ২০ হেন্না দি এম সী এল্যুমনাইগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা মতম শাংনা কত্থোক্লকপগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক এল্যুমনাই অসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবনি। বি জে পি মণিপুরগীসু মতম শাংনা মেম্বর ওইরক্লুবনি হায়না দি এম কোলেজ এল্যুমনাই এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস জয়কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): রোসন দিয়ালিনা ইবা ৰারীমচা ১৫ য়াওবা লোক্তাক্লো অকাশ মুনি হায়না মিংথোনবা লাইরিক নেপালি সাহিত্য পরিষদ মণিপুরনা ফোঙখ্রে হায়রি।

বূথ লেভেলগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লি মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা ৰাংখেম এ সীগী ওইনা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা সোসল ৰর্কর খরিবম জিবনগী ইলেক্সন কম্মিটিনা এ সী অসিগী মনুং চনবা বিষ্ণুনহা অৰাং লৈকায় পোল্লিং ষ্টেসন ৩২/২০গী ওইবা বূথ লেভেল মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা অৰাং লৈকায়দা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সোসল ৰর্কর খরিবম জিবন, কৈশাম লোখোল অমদি লাইশ্রম লোকেন্দ্রোনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কেঐচ জিবননা ফোঙদোকখিবদা, ৰাংখেম এ সী অসি ইস্যু কয়ানা থল্লবা লমদম অমা ওইরে। হীরম খূদিংদা অৰাৎপা অশোয়বা অমদি পেন্দবনা থল্লবা লমদম অমা ওইরে। পুন্নমক অসিবু চুমথোক্লবা অমদি চাওখৎপা লমদম অমা পুরক্লবা অমত্তা ঙাইরবা উপাইদি মীয়ামগী খুৎতা লৈরে। লাক্কদবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা মীয়াম্না লমদম অসিগী য়াইফনবা য়েংলগা অফবা অচুম্বা মীরেপ খনবীয়ু হায়খি।

শোত্থনা লৈরবা এ সী অসিগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা হক মত্তুনা লৈরিবা অসি উবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। করিগুম্বা মহাক্লা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইরবদি মীয়ামগী ফংফম থোকপা হক অমত্তা ৰাৎতনা ফংহনগনি। তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংবু নিশাগী ঈপাক্তগী লাপ্লা থমদুনা মহৈগী লম্দা অমদি শান্ন-খোৎনবগী লম্দা পূক্লিং চঙহন্দুনা মতিক চাবা মীয়াম্না মশক খঙবা মী ওইহনবা হায়বসি মহাক্কী পান্দম্নি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

স্মৃতি ইরানিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেল্পর অমদি মিনি ৱার্করশিংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া থবক্তা ওন্থোকপীননবা ৰিমেন এন্দ চাইল্দ দিভেলপমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিদা মণিপুর অঙ্গনৱাদি মহিলা ওর্গনাইজেসন (এম এ এম ও)না মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না এম এ এম ওগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সনাতোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর অঙ্গনৱাদি মহিলা ওর্গনাইজেসন্না তাল্লিবা দিমান্দশিংদি মণিপুরদা লৈরিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেল্পর অমদি মিনি ৱার্করশিংনা ফংলিবা ওনরেরিয়ম অসি হেনগৎহনবা, মশাগী ক্বালিফিকেসন মতিক চাবা লৈরবা চহী ১০গী মথক্তা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ওইনা থবক পুরক্লবশিংবু লাইন ওফ প্রমোসন ওইনা সুপরভাইজর কাহনবীবা, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেল্পর অমদি মিনি ৱার্করশিং অসি সোসল সিক্যুরিটিনা কভর তৌহনবীয়ু লোয়ননা রিটায়র্দমেন্ট মতমদা রিটায়র্দমেন্ট বেনিফিট ফংহনবীয়ু, পোসন মার্ক তৌরিঙৈ মতমসিদা অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংদা স্মার্ট ফোন ফংহনবীয়ু হায়বনচিংবা দিমান্দশিং অসিনি।

মেমোরেন্দম পীশিনখিবা অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু য়াম্না ফজনা রেস্পোন্স পীবীরম্বা অসিগীদমক্তসু মণিপুর অঙ্গনৱাদি মহিলা ওর্গনাইজেসন্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কেম্পেয়ন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা কোম্থৌজম এ সীদগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইশ্রম নন্দোগী হাউস কেম্পেয়ন ঙসি ঙাইরাংবম অৰাং লৈকায়গী পোল্লিং ষ্টেসন ১৮/৮দা হৌদোকখ্রে।

কোম্থৌজম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা য়ুমথোঙশিংদা চৎকদবা কেম্পেয়ন অদু হৌদোকখিবগা মরী লৈননা এ সী অসিদগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইশ্রম নন্দোনা হায়খিবদা, মণিপুর অসি শান্ন-খোৎনবগী লমদা মালেমনা মশক খঙলিবনি। লাক্লিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীরবদি এ সী অসিগী য়াইফননবা থবক থৌরম কয়া মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা পায়খৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফৈরোইজম পরিজাৎকী মঙলান মঙফাওনহন্ননবা সী পি আইনা হোৎনগনি : বিমোল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) লম্লাই লোকেল কাউন্সীলগী ২০শুবা চহীগী কনফরেন্স লম্লাই চলৌগী ইরাবত মেমোরিএল হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৰাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কমরেদ এন তোম্বী অমদি কমরেদ এস ইবোতোম্বী অনীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লম্লাই এ সীদগী এসেম্লী মীখলদা মীরেপ ওইননবা পার্টিনা থাগৎলিবা পার্টিগী লুচিংবা কমরেদ ঐচ বিমোলনা হায়খি, লম্লাই এ সী অসিগী মতম শাংনা মীহুৎ ওইবদা নত্তনা সী পি আইগী লুচিংবা ওইরম্বা কমরেদ ফৈরোইজ পরিজাৎনা লৌমী-শিন্মী, শুরি নোংলিবা মীয়ামগীদমক মান্নবা খুন্নাই অমগী মঙলান শাগৎলম্বা অদু মঙফাওনহন্ননবা সী পি আইনা হোৎনগনি। চহী অসিদা লম্লাই মায়কৈগী লৌমীশিংনা খ্বাইদগী ৰাবা চহী ওইরবনি। মরম অদুনা সী পি আইনা লৈঙাক অসিনা নিংথম লৌরোক্কীদমক মৰূ-মরাং পাক শন্না য়েন্থোক্লবা অমসুং লৌ পানবা য়াখিদ্রবা লৌফমশিংগী পীবা য়াবা কম্পেন্সেসন পীননবসু দিমান্দ তৌরি। লৈঙাক্লা হায়রিবা ৰাফমশিং অসি থবক্তা পাঙথোক্তবা তারগদি লৌমী মীয়ামা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সী পি আইগী সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরনা হায়খি, জননেতা ইরাবতকা লম্লাই মায়কৈগী লৌমী অমসুং মীয়ামগা য়াম্না নক্কুবা মরী লৈনৈ। মণিপুরগী ঙমখৈ কন্নবা হোৎনবদা লম্লাই মায়কৈদগী কম্যুনিষ্টশিংনা লৈঙাক্কী ওৎ-নৈবা চৈফু ফংখি। মদুগী মহৈনা ঙসিদি মণিপুরগী ঙমখৈ লেঙদনা লৈহৌরিবনি হায়খি।

থৌরমদুদা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, শুরি-নোংলিবা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা মীয়ামগী মীহুৎ শাবশিংবু মায়থীবা পীদুনা শুরি-নোংলিবশিংগী য়াইফবগী লম্বীদা লম্লাই এ সী অসি খোঙদারগনি। লম্লাই এ সীদা কমরেদ পরিজাৎনা অমসুং সী পি আইনা দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম মশীং খঙদনা পাঙথোক্লুম্মী। অদুবু শেলবু মীহৌবা মীহুৎশিংনা মাঙহন দুনা থল্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

থবক্তগী পোত্থরবা ওজা ৪বু ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা টিচরস দে ২০২১গা মরী লৈননা থবক্তগী পোত্থারবা ওজা মরিবু ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়না লাইওন এম মানসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সঙাইপ্রৌগী সর্ভিস সেন্টরদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা রিটায়র্দ হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট (মেথমেটিক্স) দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, ঐচ জয়েন্তকুমার রিটায়র্দ হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট (ইংলিস) মহারাজা বোধচন্দ্র কোলেজ, সী ঐচ থোইবা রিটায়র্দ প্রিন্সিপাল টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সী ঐচ পদ্মবতি অমসুং রিটায়র্দ প্রিন্সিপাল রিসেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল ঐচ কুঞ্জরানিবু অচম্বা খুদোলপোৎ অমদি সাইটেসন পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবনি।

থৌরম অদুদা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রবা ওজাশিংনা মখোয়গী করিয়রদা মখোয়না তৌজখিবা থবকশিংবু শকখঙবীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎপীবগীদমক লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালদা তৌবীমল খঙবা উৎখি। টিচরস দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইওন টি ঐচ ইমোমচানা ডা. এস রাধাকৃষ্ণনগী পুন্সিগী মতাংদা ৰা ঙাংলদুনা ডা. এস রাধাকৃষ্ণনবু খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইরবা ওজা অমা ওইনা শকখঙলকখিবা অসিগা মরী লৈনবা মহাক্কী একাদেমীক এচিভমেন্টকী মতাংদা শুগায়বা ৰাফম থমখি। দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী পাষ্ট দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর লাইওন ঐচমনিকুমারনা লমদমসিগী ওজাশিংনা খুন্নাই অসিদা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসনশিং অদু শকখঙবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

শিং শেংখ্রে, উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক থাগা মরী লৈননা থাবুম অমা চুপ্পা চথগদবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অমুকোগী লমজিং মখাদা য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকা খুৎশম্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ক্লবশিংগী এপেক্স বোদিশিং, ওল কৈবুল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমসুং ক্বাক্তা অমদি অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং, য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন্না কোনবা মফমশিংদা লম-তূ শেংবা, লম্বী শেমজিনবা, লৈকায়গী পুখ্রিশিং শেংদোকপা লোয়ননা মহৌশাগী খলবু কায়হন্দনা থম্নবা উ চারা কয়াসু থাখ্রে। থৌরম অদুদা অমুকোগী এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি এন লোখেন্দ্রো, য়ু সী ও বি আই দিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সলাম শান্তি লুৰাং অমসুং এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল প্রেমজিৎনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়না য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ গোপেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংদা শেলগী মতেং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংনা মরম ওইগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা হিংলিবা কৈশামথোং এ সীগী মীয়ামদা তেংবাঙদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি এম এল এ লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা এ সী অসিগী মনুংদা ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা থা-থাগী ওইনা পীবা শেলগী তেংবাঙ খুৎশিন্নখ্রে।

পিশুমথোংদা লৈবা এম এল এগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা শেলগী তেংবাঙ খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা এম এল এ, এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা এ আর টিগী হিদাকশিং মতিক চানা মরী লৈনবশিংনা পীবা ঙমদবা অসি লাইবক থীবনি। ঐচ আই ভিগা শাগোন্নরিবশিংবু মীরায়বীবা হায়বসি মীওইবগী হিংবগী রাইট মৎপগা চপ মান্নে। মরম অসিনা এ আর টিগী হিদাকশিং ফংদবগী খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লহন্দনবা মরী লৈনবশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়খি।

‘লৈঙাক্লা থাদরকপশিং সিকি লৌদনা মীয়ামদা পুন্না শীন্নগনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্লা এসেম্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী অমদি মীয়ামগীদমক চাউখৎ থৌরাং কয়াগী থাদরকপা শেনফমশিং সিকি লৌদনা মীয়ামদা পুন্না শীন্নগনি। মপুং ফাবা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংশিং পীথোক্কনি, মীয়ামগী থবক তৌগে হায়বগীদমক মীখল থেংননবা থোরকপনি। মীয়াম্নসু মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়না লিলোং এসেম্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট সয়েদ অনৱার হুসেননা ফোঙদোরক্লি।

লিলোং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অমসুং লিলোং ব্লোক য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি অনীনা পুন্না শীন্দুনা সোসল ৱার্কর সয়েদ অনৱার হুসেনগী লিলোং শম্ভুখোংদা লৈবা য়ুমদা য়ুথ ইন্টরেক্সন, ইনরোলমেন্ট কম সোসল মীদিয়া ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ঙসি অহানবা হৌদোকপা ইনরোলমেন্ট তৌবগী থৌরমদা লিলোং এ সীগী ওইনা পুন্না য়ুথ ৭২৯ আই এন সীদা ইনরোল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পান্নরিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্লী মীখলদা লিলোং এ সীদা আই এন সীগী মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা সোসল ৱার্কর সয়েদ অনৱার হুসেননা ফোঙদোকখিবদা, হীরম খূদিংদা শোত্থদুনা লৈরবা লিলোং এ সী অসিগী মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিল্লদুনা এ সী অসিবু চাউখৎপা, অনৌবা অওনবা এ সী অমা শেম্মিন্নরসি হায়না মীয়ামদা আপীল তৌখি। এ সী অসিগী মীহুৎ অমা লৈরিবনি। অদুবু মপী-মপা পান্দবা অমগুম ঙসিফাওবা হন্না য়েংবীরদবা অসি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে হায়না ৰাফম থমখিবগা লোয়ননা মহাক্কী অপোকপনা লিলোং এ সীগীদমক য়াইফনবা মঙজরম্বা মঙলান কয়া অদু মঙফাওননবা থবক পাঙথোক্কনি হায়বগী ৰাখল্লোন্দা মহাক থোরকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারনা বি জে পিনা লৈবাক অসিগী নহা ক্রোর/ক্রোর লৈঙাক্কী থবক হাপকনি, স্বিস বেঙ্কতা লৈবা ব্লেক মনিশিং পুরক্তুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী একাউন্টতা লেম্না শেল হাপ্পীগনি হায়বনচিংবা অরানবা প্রোপেগন্দা তৌদুনা নহা ওইরিবশিংনা ভোট পীদুনা লৈঙাক পায়খিবনি। অদুবু ঙসিগী বি জে পিগী অরানবা ৰাফম কয়া অদু মীয়াম্না খঙনরক্লে, ৰাখল তারক্লে। লৈঙাক হায়বসিদি অকা অকুম লৈগনি। অমনা অমুক পায়বা অদুগা অমনা অমুক পায়বা অদুনা হৌজিক লৈরিবা বি জে পি অসিসু মরাই চাইথরক্লবনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু লৈবাক অসিগী অচৌবা ষ্টেটশিংদা পাঙথোকখিবা লোকেল বোদিশিংগী মীখলশিংদা বি জে পি মায়থীদুনা রুল্লিং ওইবা ঙমদ্রিবা অসিনি হায়খি। অদুনা লৈবাক অসিদা কোংগ্রেস শোয়দনা অমুক হল্লকখিগনি। কোংগ্রেস মরাই চাইথবা লৈতে মীয়াম্না কোংগ্রেস পার্টিবু মখা তানা নুংশিবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

লিলোং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এম দি ইমামুদ্দিন, সোসল ৱার্কর সয়েদ অনৱার হুসেন, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি এম দি সিরাজ অহমদনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট সগোলশেম জোনি মৈতৈনা য়ুথ ইনরোলমেন্টগী মতাংদা অদুগা মণিপুর ষ্টেট য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ষ্টেট কো-ওর্দিনেটর সোসল মীদিয়া সলাম মালেমখোম্বনা সোসল মীদিয়াগী মতাংদা ৰা ঙাংখি।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): কোলিএসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেন্থা থোংখোঙ মান্দপতা দি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৰিমেন্স ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা), ইকোপ নিংথৌ চাউখৎ খোঙথাং নুপী লূপ অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা ইকোপ নিংথৌ চাউখৎ খোঙথাং নুপী লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইমুজম চন্দ্রজিনি, থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম ওংবী সনাতোম্বী অমসুং কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী রিসোর্ছ পার্সন ওইনা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজম অমসুং কাদাগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ময়েংবম বুধিনা শরুক য়াখি।

রিসোর্ছ পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা কাদাগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ময়েংবম বুধিনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা য়ুদি থিংদনা য়ু থিংবা ঙমদ্রে হায়বসি লাইবক থীবনি। মীয়ামদা মীনম্বনি। য়ু থকপদগী ইমুং-মনুং কাং-খোং চাইহল্লিবা, য়ু থকপদগী মীওই কয়া লিভর সিরোসিস অমদি অতৈ অনাবা কয়ানা মরম ওইরগা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা কয়া ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা থেংনরি। কুমজা ১৯৯১দগী চৎনরবা য়ু থিংবগী লো অসি ঙসিফাওবা মণিপুর লৈঙাক্লা মপুং ফানা চৎনদ্রি অমসুং য়ু য়োনবা মীওইশিং অক্নবা চৈরোকপীবগী ৰাফম তাদ্রি। মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরদা য়ু শুংলগা মণিপুরদা য়ু ফংহল্লোই মপান্দা থাদোক্কদবনি হায়বসি মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি হায়খি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবী থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম ওংবী সনাতোম্বীনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা য়ু লিগেলাইজেসন তৌনবা হোৎনরিবা থৌওং অসি মীয়াম্না য়াবা ঙল্লোই। য়ু অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখলশিং অসি লমদম অসিদগী ঐখোয় পুন্না থিংনবা হোৎনমিন্নহৌদ্রবদি ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং য়ুদা ঈরাক্লরকপা তাবনি। অদুনা ঐখোয় পুন্না ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখল খূদিংমক থিংনবা থৌদাং লৌমিন্নসি। লমদম অসিদা হৌখিবা চহী কয়াদগী মৈরা পায়বীগী ঈহৌ হৌদুনা ইমা-ইবেল অমদি ক্লবকী নহারোলশিংনা য়ু অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা য়ু লিগেলাইজেসন তৌদুনা মণিপুরদা য়ু শুংনবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি থৌবাল ইমানা য়াবা ঙল্লোই অমসুং মতম পুম্বদা অসিগুম্বা অরানবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা লেপকনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।